ꯍꯨꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯰꯶, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯴꯷ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

লৈবাকপোকপা, দিসেম্বর ০৬, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ২৪৭শুবা মশীং

# ইম্ফাল ময়োলগী অরোনবা কা খুন্নাইসিবু চাওখৎলক্লিব্রা, চাওথরক্লিব্রা

মণিপুরগী লাইরিক হৈরবা মীপূম খুদিংমক ষ্টেট লৈঙাক্না চানবা থবক পীবা ওইথোক্তে, ঙম্লোই। লৈঙাক্কী থবক পীবা হায়বসিদি লৈঙাকসিগী মখাদা লৈরিবা লোয়শঙশিংনা মীয়ামগী থবক-থৌরমশিং পাঙথোরকপদা মথৌ তাবশিং অদু খক্তবু লৌবনি। মীয়াম্বু নুংশিবা অমসুং মীয়ামগীদমক খল্লিবনি হায়দুনা লাইরিক হৈরবা মীওই পূম্নমক কৌশিন্দুনা লৌশিল্লুবসু শামুগী মপোৎ ইরোইদা থোনগৎপগুম থোক্কনি। ফীভমসি থোকপগা লোয়ননা কৌশিন্দুনা হাপচিল্লুবা পুম্নমক্কী খূৎশুমলসু পীদবা য়ারোইদৌরিবনি। মসিমক্না লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংনা মীপূম খুদিংমক কৌশিন্দুনা থবক হাপচিন্দবনি। অদুবু লৈঙাক্কী থবক নৎত্রবসু হিংদবা য়াদবনি। মখল কয়াগী তোঙান-তোঙানবা শীনফম কয়া পায়নদুনা শুন-নোম্নরিবনি। অদুম ওইনমক হায়রিবা থবকশিং অসিগী মনুংদা মীওই খরনা শেল্লেপ য়াম্না পুথোক্তুনা অমসুং ইৰা-ৰাদনা অয়াম্বা শেনে দাং ফংননবা হোৎনরকপদা মচি-মরুমদা তূমিন্না শেন্দাল লম্বীশিং চত্থরকপা য়াওশিল্লকপদি অচুম্বা, তৌফম থোকপা অশেংবা থবকশিং ওইরোই হায়নীংই। অসিগুম্বা থবকশিংসিগী মনুংদা য়ুঙৌ-য়ুঙাং য়োনবদগী হেন্দোরক্তুনা অখুবা গলিদা অরোনবা কা খরা লৌরগা শান্দোকপা, কা শীজিন্নবগী মমল লৌরগা শেন্দোং তানবগী থবকশিং চত্থনরক্লে। হায়রিবা মমলগী শেন্দাল লম্বীসি হৌজিক ইম্ফাল ময়োলগী মফম খরদা কন্না চত্থনরক্লে। ফমুং য়াওবা কা অমা পুং ১ নৎত্রগা খরা নৎত্রগা অহিং অমা ৰায়বগী অৰায়মল মথংশিৎনা লুপা ৫০০দগীনা লুপা লিশীং ২/৩ ফাওবা লৌদুনা শান্দোক্লে, শেল তাল্লে। মসিদা কাদুগী মপুদুনসু করিমত্তা হায়দে। মরমদি মহাক্কী কাদু অখুবা গল্লি মনুংদা লৈবনিনা মখল অমত্তগী দুকান নৎত্রগা চান-থক্নবা পোৎ-চৈশিং য়োনবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈতে। কাদু পীকপনিনা গোদাউন ওইনা শীজিন্নবসু য়াদে। অদুবু মশাগীসু চঙফমদগী হৌরদুনা মমজরবা মফমদুদা শুপ্নতগী ফমুং ১/২ থারগা অশানমল লৌবনা ৰাদনা শেন্দোং ফংবা অরাইবা পাম্বে ওই।

অদুবু মতাংসিদা থোরক্লিবা ৰাহংদি অসিগুম্বা অমম্বা কাদা থাবা অরোনবা ফমুংশিং ৰায়বা লাক্নরিবশিং অসিবু মশা-মশানবুদি য়ানরগা লাকমিন্নবনা অয়াম্বা ওইরম্বদি য়াই অদুবু মণিপুরদা লৈমিন্নরক্লিবা ফুরুপ-কাঙলূপশিংগী চৎনবী কয়ানা অয়াবা পীরবা পুংবা ঙাক্তা ওইরম্লগদ্রা? খুন্নাইগী চৎনবীনা অয়াবা পীবা ওইরগনা শেল তিংনা অসিগুম্বা মফমশিং অসিদা শৈদাংফম লৌররিবনা করিগী ওইরমগদগে? হায়রিবা থবকসি থৌওইনা অসিগুম্বা মখলগী কাশিং থম্বা খক্তা নত্তনা ফুদ্দিং অমসুং লোজিংগী খুদোংচাবা ফংগনি হায়দুনা ফাওবা ইদুনা ফোংনা সাইনবোর্দ থেৎপা হোটেল খরদা ফাওবা তৌবা য়াওরে। পুলিস অমসুং মীয়ামগী লূপশিংনা ফাওবা অসিগুম্বা মফমশিংসিদা থি-হুম্বগী থবক চত্থবা য়াওখ্রে। নাতে চাদনা লৈরম্বা থেংনবদগী ফাবা পুনবগী থবক ফাওবা চত্থবা য়াওখ্রে। অদুবু থবকসিদি লেপহনবা/তোকহনবা অমসুং তৌহন দবদি ঙমদে। হৌজিকসু মহৌশা মহৌশাদৌনা অদুম্মক চত্থনরি। মসিদগীবু অফবা, থোকফম থোকপা অচুম্বা থৌদোকশিং থোকহল্লক্কদ্রা? থোরক্কনি, থাজদে। মসিগী মহুত্তা অপীকপা হোটেলগী কাদা নুপীবু মখৌরি লাকহৎতুনা হাৎলম্বগী থৌদোক থোকখ্রে। অথাপ্পা চীংগী মফম, লমহাঙ-তুমহাঙদা শিনা ফংখিবা নুপীগী হকচাংশিংদা হোটেলগী 'কি চেন' অমসুং 'শো' য়াওরম্বগী থৌদোক ফাওবা লৈখ্রে। ফীভমসি য়ৌরকপদা হংবা য়ারক্লিবদি মণিপুরগী খুন্নাই অসিবু চাওখৎলক্লিব্রা নৎত্রগা চাওথরক্লিব্রা হায়বসিনি, নৎত্রগনা মপান্থোংদা, কুরাংবান্দা চাওখৎপা মাল্লগা মনুংদনা খ্বাইদগী হন্থবা মীওইবা খুন্নাইগী চাং অমদা লৈরক্লব্রা হায়বসিনি। মপান থোক্না ফোংনা চত্থগে হায়রগনা লৈঙাক্তগী অয়াবা লৌরগা প্রোফেসনেল সেক্স ৱার্করশিং থম্লগা 'রেদ লাইট' শিং ওইনা নোটিফাইদ তৌহল্লো। মসিদি নত্তনা অরোনবা শেন্দাল লম্বী ওইনা চত্থরকপদি খুন্নাইসিগী জেন্দর পূম্নমক্কী মোরেল অমসুং কেরেক্টর মাঙহনফম ওইনা থোরক্কনি। তমথীরবা লায়নাশিংদগী হেন্দোরক্তুনা থোকহন্নীংদবা শাথীরবা ক্রাইমশিং থোরক্নবগী য়ূম্ফম ওইরক্কনি। মরী লৈনবা ওথোরিটি অমসুং মীয়ামগী লূপশিংনা খূৎশম্নদুনা লৈহন্দনবা হোৎনহৌবা চুমগনি হায়নীংই।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৫

১) **"অঙাঙবা লৈগী অঙৌবা মচু"** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবনা কনানো?

২) **"বাস্করবিলে সাগৈগী শাদানহুই" (২০০১)** হায়বা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অইবা কনানো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) **"চেক্লা মাদি খঙলম্মী"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) **"ওঁ বাসুদেব-মহাকাব্য (মীতৈরোলগী মহাকাব্য)"** হায়বসি কনানা ইবনো?

৫) **"নিংঙাইদনা য়াতারিবশিং/মোংফমথকসিদা--,/হৌগৎলো নুংশিরবা মরুপশা!/ঐখোয়সু মপূং ফারে,/অহিংবশিংদা লান হৌরসে।"** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা শৈরেং লাইরিক্তগী লৌথোরকপা করি মমিং থোনবা শৈরেংনো?

মথক্তা পীরিবা ৰাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৰাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# শলাক শারবা ইম্ফাল সিটি

হেক্তা হায়নীংলকই - ৭৩০

## জিতেন নামৈরাকপম

লূনা-নান্না থম্বীয়ু, ঐগী পীক্লবা সহরদা" নুংশিরবা নুপী খোঞ্জেলদা ঈশৈ খোংলগা/থারগা থা অমগী মনুংদা মরিরক্তি লাক্লি, লাকখি, ঐখোয়গী লৈকায়দা! য়াম্না ফৈ, য়াম্না নুংশি। অসুম্না ঈশৈ খোংলগা নৎত্রগসু মাইক্রোফোনদা মরক মরক্তা লাওরকই - "অদোম অদোমগী থোঙ্গালদা দষ্টবিন থাংদোক্লগা থম্বীয়ু, ঐখোয় খোমজিনবা লাকচরি।" কয়াদা নুংশিখ্রবা থা অমদা মরিরক্তি লাকই। অমোৎ অকায় খোম্বা লাকপা হায়বা তাই। মখোয়না লাক্ত্রুদি কনানা লাকপীগনি। হৌজিকপুদি থাগী ফি হায়গদ্রা, অৰামল হায়গদ্রা লুপা ২০০/২৫০ অদুৰাইমুক য়ৌরমাল্লে। মসিমক ঐখোয় নুপীনা ঐঙোন্দা হায়বনি, (সোরি আই এম সো সোরি) ঐখোয়গী নুপী হায়গদবা নত্তে, ঐগী নুপী হায়গদবনি, ঙাকপীগনি।



সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্টকী মতাংদা ইজরিবা ঐগী কলমদা হঞ্জিন হঞ্জিন ইজখ্রবনি। ইমান্নবনা পেল্লে, ওক্লে, পূক্নুংদগী হন্দোরকপা ফাওরক্লে কা হায়বা রিদর হায়গদ্রা পাউচে পাবা হায়গদ্রা, অদুগুম্বা মীওইসু য়াওরম্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। অদুবু ইবগী ৰাদি, হায়নীংবগী ৰাদি অসুক্কী মতিক লৈজরি। মখা চত্থজরক্কে।

অমোৎ অকায় হুন্দোকপগী মতাংদা হায়রগদি জাৎ জাৎকী ৰারী য়াম্না লৈরি। নখোয়গী, মহোয়গী জোব কার্দ হায়ব্রা হন্দক মণিপুরদা ২০২২গী ওইনদি থবক শুকশু শুখিদ্রবা খঞ্জে। অমোৎ অকায় শেংদোকপা, নাপি ফোইবা, খোংবাল তেংবা, লম্বীগী নাকলদা হৌরম্বা নাপী, শম্বলৈ হাইদৎ-ফোইদৎপনচিংবা, পুখ্রি তৌবা, লম্বী শেম্বা,ক রি করিনো প্রোগ্রাম য়াম্না হাপ্লগা চত্থবীরি। হন্দক্কী ওইনদি উজবদা মৈতৈ পাঙল লেবরশিং নেক্লগা মমাঙ চহীদা পুখ্রিগী কঙ শেংবা, শম্বলৈ হাইদৎপা, খোংবালদা হাইদোরকপা ৰাপল মতেক মতেক য়ানবনচিংবা থবক উজখি। হন্দক থা ৪/৫গী মমাঙদদি থবক শুকশু শুদনা অয়ূক্কী পুং ৯/১০ তারকপদা ফোটো অমুক নম, নুংথিলগী পুং ২/৩ তারকপদা ফোটো অমুক নম, ফোটো পংনমদা নমখি হায়না তাজৈ, উজহৌই। করি ৰানোনে, ঙসিদগী চহী ৬/৭কী মমাঙদা হৈজ্রাং থাঙ মচা অমমম পায়রগা পাউদরগা নান্না থাজিল্লগা, লিপষ্টিক্কা শংজিল্লগা জোব কার্দকী থবক শুফমদা লাকখিবশিং থবক শুবদি লায়রদনা মীগী ইঙ্খোল মনিংদা পানবা নোবাব, হৈনৌ ওইরো, হৈয়েন, নাশপতি, হৈনীং, হৈগ্রু, হৈয়াই, হৈমাং, হৈনজোম, হৈজামপেৎ তকখৎতনা হেক্লগা মেৎলগা চাথোকখিবগী ৰারু নুংজু ওইনখি। অদুদি লায়রদনা মীগী ইঙ্খোলদা হৌবা মনা-মশিং তকখৎতনা নৈখায়রুবদগী ৰারু নুংজু ওইনখি। অদুগীসু অমুক মথক্তা জোব কার্দকী খোংবাল লুকপান শেংদোক্লিবনি হায়দুনা মীগী শনৈবী ৰাপলদা হৌবা উশোয় তকখৎতনা ফুকখিবগী য়ূম্থুনা য়াম্না শাউবগী ৰারীসু লৈরি। মতাং চানা তমজরক্কে।

মসিনা আই এম সী ইম্ফাল কোর্পোরেসনগী ৰাংমদা লৈরিবশিংগী ৰারীনি। ইম্ফালনা অমুক কমদৌবা। পুরা অরোইবীদা মোৎপগী চাং য়ৌরব্রা হায়নীংই। খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল হায়গদ্রা ইম্ফাল ময়োল নাগামপাল পরিং, ইমা কৈথেলগী অকোয়বদা খোঙনা চৎপদা নাতোন মেন্দ্রগদি অৰাবগী মশকনি। অদুগা অমুকসু হায়জরিয়ে 'ক্লিন ইম্ফাল সিটি' ইম্ফালবু সিটিরো, ইম্ফালদি সিটি নত্তে, টাউন হায়বনা পকচৈ। বেঙ্গলোর, মুম্বাইগী বান্দ্রা পালি হিল, নৈনিটাল, মুশোরি, দেরাদুন, দার্জিলিং, সাউথ ইন্দিয়াদা উটি, কোদাইকনালগী ফজবা নানবা ইনক নক্না মেঘালয়গী শিল্লোংবু করম নান্দে হায়সিগে।

হঞ্জিন্না হায়রুবগী কান্নবা লৈতে। ইম্ফাল ময়োলদি হৌজিক ফজরে। পুমচাই চাইরবা মফম অমা ওইরব্রা খল্লকই। নোংমা থেংনরুই হৈরাঙ্গোই থোং মথক্তা নুমিদাংগী মতমনি। মশা নানবা কোট লিৎপা, মাগী নুপীগা লোয়ননা লাক্লগা কারগী মনিংথোঙ হাংদোক্লগা প্লাষ্টিক্কী ময়োম অনী অহুম লংথখি নম্বুল তুরেলদা 'জবুং'। মসিনি ইম্ফাল ময়োলদা উজরকপা শক্তম খরা। ইম্ফালদি মোৎখিনি, মোৎখিনি অসুক্কী। ৰাখল তাদবা ইনাক কৈরাক খুনবা অঙাও অফৈ য়াম্না লৈরি , ৰারৌবীগনু। অচুম্বদু হায়জবনি। অদুগা অসোমদা ঐখোয়গী লৈকায়দা অমোৎ অকায় খোম্বা লাকপদা রেজিষ্ট্রেসন তৌবা, অদগী রেজিষ্ট্রেসনসু তৌদ্রগা থাগী থিনীংদবা ময়াম অমদি সোলিদ ৱেষ্ট কল্লেক্সন তৌবা কাঙবুনা মতম চানা লাক্তবনা মণিপুরগী ইম্ফাল ময়োল পুমচাই চাইরে। ওন্থোক্না ফজখ্রেদা ইম্ফাল সিটি হায়নীংদবা টাউনবু ইম্ফাল সিটি, নোকপু নোকচনীংই। মণিপুরদা ইম্ফাল টাউনসু ওইরসনু লুপা ক্রোর ২০০গী কম্পেন্সেসন নৎত্রগা ফাইন ওইনা নেসনল গ্রীন ত্রাইব্যুনেলনা য়াথং তাওথরক্লি। য়াম্না ইকায়নীংঙাইনি। মতম অমদা ঐখোয়সু লৈরম্মী লুখাক কোম। অরেম্বা চাক এঞ্চাং, মনা মশিং করি করা অরেম অপাশিং হৈজিনবনি কোম অদুদা। কোম অদুনা চহী য়াম্লক্লগা ফুনজিল্লকই। অতোপ্পা কোম অমা'মুক তৌই। হৈজিল্লি, হাপচিল্লি। মদুনা হঙ্খোলগী হার কেমিকেল য়াওদবা অদুম্কক ওইজরে। হৌজিক্তি অদুগুম্বা কোম অমা থিবদা ইম্ফাল ময়োলদদি ফংদ্রে। প্লাষ্টিক বোট্টলনা ঈপান থাবা, স্বষ্ঠি পুজা হায়গদ্রা মঙানি চাক্কৌবা বর্থ দে, করি করা ময়ামদগী পুথোরকপা প্লাষ্টিক বোট্টল। কাখল ৫/৬ খায়বা প্লাষ্টিক প্লেট, দিসপোজিবল গ্লাস, প্লেট করি করানা পূমচাই চাইখ্রে। লৈঙাক্না মসিগী মতাংদা ফননবা লোঙ টর্ম পোলিসি অমত্তসু শিনবীদে। তুংগী লম্বী শুকউ উবা ঙমদবা লৈঙাক্লি খল্লকই। ইম্ফাল টাউন ফাইন ওইনা লুপা ক্রোর ১০০০ গুম্বা থিদনবা হোৎনবীয়ু। ●

# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৯৬

ৱাখল ইহুল

## সোরাম ইবোহল লুৱাং

হৌজিক্তি মৈগী মশক ওইবা অশেংবদু করিনো খঙলবনিনা কয়াম কুইনা ফিগী শক্লোন লৌবা নত্তবা হায়বদি শেমজিন শাজিনবা মুকশন লাইনীংগী শক্লোনশিংনা কয়াম কুইনা নমথদুনা থম্বা য়াগনি/ঙমগনি। নোংম-নোংমগী অমুবা লৈচিলগী মশক ওইনা নত্তবা থৌওংশিংনা কুপশিল্লগা/থমাইশল্লগা থনম্বশিংদু নুংশাগী মতিক ময়াই লৈবা অলত্রা ভাইওলেটকী মঙাল (রে) না য়ৈবদা মতোমতা শ্বাই মাঙজখিবগুম 'ঈনাৎ নৎতে মীনাৎনি' হায়বসি হৌরক্লিবা নহাশিংনা পাক শন্না খঙলকপদগী মীরম লাইনীং লাইশোন ঈয়াইদা কোঙ্গোলনা ঙহাক লৈরম্লগা পোক লাউনা পোকখায়জরগা মতোমতা তাকপগুম মাঙজ খিগদৌরবনি হায়বা য়াই। অচুম্বা থৌওংদি মতম লৈবা খিবিক্তা চুমদুনতা লৈবা হায়বসি হৌনশানি। অচুম্বা থৌওংসিমক লাংওন লাংতাইগী মতমসিদা ইপু মায়চৌ খোংনাংথাবনা হায়বিরম্লবনি।

মসিগা মরী লৈননা কাইবরোল পুয়াদা ইপু চীংঙু খোংনাংথাবগী পাউতাক পাউজেল 'মহৈ মরোং চুম্নবু তাউজীং হৈজীং ফাবা হৈরাং ওইদুনা কোয়না পুয়া থিরনি। মীরক মীথুম্নবা পূক্লিং ঈরা-চেনবা ৰা হাক্ল য়াৰা চাউফদে।" মসিগী মপূং ফাবা ৰাহন্থোক সাইরেম নীলবীরনা ইবা "চীংঙু মায়চৌ লৌরেম্বা খোংনাংথাবা" হায়বা লাইরিকসিগী চেমায় ৬২-৬৩দা পীরি। য়াম্না শম্না হায়রবদা নুংতি নুমিৎ খুদিংগী তোঙান তোঙানবা মাঙখ্রে খল্লুরবা পুয়াশিংগী ৰারী ৰাখোঙ অমনা অমনা লেপ্তুনা থিনরুদুনা মীয়ামদা পূন্না খঙমিন্ননবা পাউদম্নরিবা কয়াসিবু হায়বনি। অশেংবা ইপোৎ ইরল খঙলক্লবা মতমদা কনাগুম্বনা শাউনীংবদগী ৰাহৈ ৰাতা অকনবা হায়রুবনা মরী লৈনবা খরগী মপূক্লিংদা ৰারৌ পুক্লৌবা তৌহন্দনবা হোৎননবা পাউতাকপু পীরম্বনি। মীরম লাইনীং লাইশোন অহানবা পুশিল্লগা শন্দোক্লবা মতমদা তৌখিবদুগা হৌজিক্তনা ঈনাৎ লাইনীং লাইশোন হিংগৎহন্দুনা হঞ্জিলহন্নবা হোৎনবা মতাংদা অনীগী খেন্নবা মতাং অমা - "অচুম্বা অশেংবদা য়ূম্ফম ওইবা অমোৎপা ৰাহৈ ৰাতা শীজিন্নদুনা মীগী থম্মোয়, ৰাখল, পূক্লিং খুদুম চনবা নত্তনা মীবু অকি তুজুং ফাওহনবা, নম্ফু-হাফুগী পাম্বে শীজিন্নদুনা শন্দোকপা লাইনীং নাৎ অদুদি খক তুং কোইবা য়ারোই হায়বা ৰাফম অসি পাউতাক পাউজেল অসিনা পীরি।"

বিষ্ণু লাৎপগী মতাংদা হায়বা য়াবা ৰাফম কয়া লৈরি। অদুবু শম্লপ্না হায়রবদা - মীনা খুদোল পোৎ ওইনা পীরকপা লাই অমনা লৈবাক্কী লাই ওইবা য়াবা হৌনদে। কংলৈপাক মণিপুরসিদা খুন্দাদুনা লৈরবা ভবানী নাথ কৌবা ব্রাহ্মন শজিকলোয় অমবু কৌখৎতুনা খুদোল পোৎ ওইনা পীরকপা বিষ্ণু চক্রবু পুজা তৌহনখি হায়বসি মৈতিংঙু ক্যাম্বগী মতমদা মীরমদগী বামোন চঙলকখিবশিংগীদি মীতৈ নিংথৌনা পীবা য়ুম্নাক্তা ভবানী নাথকিনা করিনো, করি গোত্রনো? বিষ্ণু চক্রবু থৌগল তৌরগা উত্তর প্রদেশকী কানপুরদগী লাকখিবা গনেসগীরি দামুদর মুখর্জি হায়বা অমগী গোত্রনা মার্কন্ত ওইরগা নিংথৌদা লৈহাও কৎপদগী লৈহাওথাবম হায়বা য়ুম্নাক পীবসিনা মখোয়গী শাগৈগী পুকোকনি হায়বদি থেংনৈ। অইবনা খঙবা ৰাৎপদগী ওইরম্বদি য়াই। মখা তানা খঙবদা নুংঙাইগদবা বিষ্ণুগী মরমদা ইবা ৰাফম অমদি মণিপুর সাহিত্য পরিষদ, অসামনা ফোঙবা চৈথারোল কুম্পাবগী এনোটেসন ৫০৮ (চেমায় ৬২১) দা ময়েক শেংনা ইরি -"... খৃ: ১৭৬৭-৬৮ রোমগী মতমদগী মৈতৈ নিংথৌগী মরন্নাইগী লাই (ইষ্টদেবতা - Personal deity) ওইনা লৈরকখি। অদুগা হৌজিক্কী মতমদা শ্রীবিষ্ণুসি মফম/শাগৈ অহুম্না লাৎলি - (১) ৰাঙ্খেমযূম শাগৈ, ৰাংখৈ (২) মণিপুরগী মহারাজ, সনাকোনুং, ইম্ফাল অমসুং (৩) লাইরিকয়েংবম শাগৈ, লাইরিকয়েংবম লৈকায়, ইম্ফাল অসিনি।"

থৌঙম্বা মঙাংচানা এদিট তৌরগা অঙোম্বা গোপীনা ইবিরম্বনি হায়বা লাইরিক "লংদাইসিগী পাউজেল- লারৈ লাথুপ" গী চেমায় ৫১-৫৫দা "বিষ্ণু অমদি বিষ্ণুপুর থোনখিবা" হায়বা তাঙ্ককসি মীয়াম্না অমুক্তং পাবীরগা নৈনবদা করিনো হায়বসি খঙবা ঙম্বীগনি হায়না থমজরি।

১১) ঈনাৎ লাইনীং লাইশোন অমদি মীনাৎ লাইনীং লাইশোন অমসুং সনামহী লাইনীংগী তোঙানবা কোদ অমা সেন্সস ওপরেসন্দা য়াওহন্নবা ৰাফম :-

ঙসিদগী চাওরাক্লা চহী ৬০/৭০গী অদুৰাইদা কংলৈপাক মণিপুর অমসুং মপান লমদা ফোঙবা লাইরিক অয়াম্বা হিন্দু লাইনীং পামজনা চৎপা অয়াম্বশিংনা হিন্দুগী ৰাখল পরিংদা চিংশিল্লগা ইবা ওইনা তৌই। অদুবু করিসু কায়দে, থোইদোক্তে। লৌশিনবা য়াবমখে লৌশিল্লগা লৌশিনবা য়াদবশিংদুনা লাইরিক্তুদা অদুম লৈজে। শেমদোক শাজিনবনি হায়বা অদুম ইরায় লায়না খঙই। শম্লপ্না, কংলৈপাক মণিপুরসিদা হিন্দুগী কৌনীংবা/ওইনীংবা মমিং ময়াম অমা থোঞ্জরবসু মপূং ওইবা ৰাখল পরিংদি মখোয় মশা অমত্তনি। মশা মরেং খরা ওইবগী ৰাতনি। অদুনবু ময়োল লমগী মচিন তোংবশিংনা খঙনা নৎত্রগা খঙদনা পংহায় হায়বা য়াওরিবসিনি। অদুনা করিগুম্বা কান্দা ৰাথোক ওইবসু য়াওরিবসিনি। অপান্নবা হায়দ্রবসু মবুধৌ অমগা মশু ইবুংঙো অমগা মখোয় অনীনা পাম্বা মতমদা হিন্দু লাইনীং লাইশোন শেমগৎপদা য়াম্না চাওবা থৌদাং লৌখিবনি হায়বসি খঙদবা উদবা, কাউবা য়াররোইদবা ৰাফমনি। ইশাগী ঈনাৎকী ওইনদি অমত্তা ৰাৎতনা লৈজববু হুন্দোক্লগা/হুলাল্লগা মীগী মীনাৎ য়োকখৎনবা হোৎনখিবগী মতাংদা মৈদিংঙু পামহৈবনা মায়চৌ লানথাঙম্বদা রমান্দি লাইনীং লৌদুনা রামগী মিংখৈবু শোন্নবা হায়বদা মায়চৌ লানথাঙম্বনা পামহৈবা নিংথৌদা হায়জখিবা - **"নুংঙাইতা নিংথেম! নিংথেমগী সনা য়াথংবু কোরৌথক্তা কাফদবনে, মালেম লৈদা তাফদবনে। মৈতৈ লিচৎ লমদাংশাং সনাবু হুন্দোক্তুনা মীরমগী লাইনীং লিচৎ মফম মরাং খঙদববু লৌজৌ তাকপীবা অসিদি, নিংথেমগী সনা য়াথং হাপ্নবা নপুদা চরৈ ফিগাও লৈজদে, ৰারৌবীগনু নিংথেম!"** ঈনাৎকা মীনাৎকা কয়াম খেন্নবগে হায়বসি পুল্লপ্না শুপচিন্না হায়বসিদা য়াওখ্রবনি। মতাংসিগী ওইনা মৈদিংঙু চীংথংখোম্বনা হৌগৎচরম্বা মুকশন লাইনীং (মমাঙদা করিনো হায়বদু ইজখ্রে) গী হৌরকফম অমদি য়েলহৌ ঈনাৎ লাইনীং লাইশোনগা অমুকসু কয়াম কনশিন্না মরী থম্নবা হোৎনরম্বগে অমদি মীরম লাই মকোক ওইবা গোবিন্দ/কৃষ্ণনা ইরমদমসিদা চহী কয়াম কুইনা লমদল্লম্বা অদুগা মশাগী মরমদম ওইবা নবদ্বিপ্তা শ্রী অনুমহাপ্রভু হায়না মিংথোল্লগা চৎখিদুনা কংলৈপাক মণিপুরসিদা লৈরক্ত্রবা মতুংদা **"কাইনাদা থৈবোং ওইনা হৌবদা ইবুধৌ পাখংবগা মশা অমত্তা ওইরকপা, হৈবোং পাম্বী উনা লুপখিবা মফমদুদা তাওখৎলক্লবগী মতাংদা অখঙ অহৈ মাইবা পেনানা লাইশোন তিনশোন তৌবদগী-ঈনাৎকী থৌরম তৌবা খুদিংদা মৈরা (থাউমৈ), নমন (ধুপ), মৈরাদি মতমদুদদি উচান পাম্বীগী মচেৎ মচেৎ ওইনা/মশুং মচা মচা ওইনা মৈরা কৎপবু মীরমগীদা আর্টি কৎপা হায়জবগী ৰানি, উনা তাওখৎলকই হায়দুনা অরাপতি থোনজিনখিবা - হায়রিবা ময়ামসি ঈনাৎকী ওইনা থৌরম অয়াম্বগী মনুং চনবা থৌওং মক্তনি।"** অদুবু মথক্তা পনখিবশিংগী মরমদা হিন্দুগী অৰাংবা থাক্কী ৰাখল্লোন নৈনবা য়াবদা নত্তনা মতিক চাবা মচাক পীবা ঙম্বা লাইরিক অমদি লমাবম গোজেন্দ্রনা খোমজিনবা "মৈদিংঙু চীংথংখোম্বা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র" নি হায়বদা লান্নিংঙাই মরম লৈতে। লাইরিকসিদগী মচং ওইবা মচাক খরা লৌখৎচরগা মীতৈ/মৈতৈ ইফুরুপচাশিং - ইন্দিয়াগী মনুং অমসুং মীরৈবাকশিংদা লৈবিরিবশিংনা লায়না অমদি পুন্না খঙমিন্নবা য়ানবা মওংদা মখাগী অসুম্না থমজরি।

১) লংথবালদা গোবিন্দজিগী মুর্ত্তি (শকপাল) নিরুপম তৌবদা কুমজা মান্নদনা পীরম্বশিং - খৃ: ১৭৭৬/১৭৭৯/১৭৮০

২) শ্রী অনুমহাপ্রভুনা কংলৈপাক মণিপুর থাদোক্লম্লগা নবদ্বিপ্তা লেংখিবা - খৃ: ১৭৯৮ (নবদ্বিপ্তা ইরাৎপা হৌখিবা)

৩) মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্রসু খৃ: ১৭৯৮গী মনুংদা শ্রী অনুমহাপ্রভু লাৎপা হৌবা মতুং মতম খরা লৈরগা/চহীদুমক্তদা মীরমদা নোঙ্গাখিবা।

৪) খৃ: ২০২১ লোইবা ফাওবদা মীরমগী লাই গোবিন্দজি/অনুমহাপ্রভুনা ইরমদমসিদা লৈতবা চহী মশীং ২২৩ শুরে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৰাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৰাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।